ফিলাটেলি স্কোলারসিপ স্কিম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা রিকোগনাইজ স্কুলশিংগী ক্লাস সিক্সতগী নাইন ফাওবগী মহৈরোইশিংগী মরক্তা দাক টিকেট খোমজিনবা (ফিলাটেলি)গী হৈনবী লৈবশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনা ফিলাটেলি স্কোলারসিপ স্কিম হৌদোকখ্রে।

মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন ইম্ফালগী সুপরিন্টদেদেন্ট ওফ পোষ্ট কে আই সিংহনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, স্কোলারসিপ অসিগীদমক লেভেল অনীদা সেলেক্সন প্রোসেস তৌগনি। লেভেল–১দা ফিলাটেলি ক্যুইজ কম্পিটিসন লাক্লিবা দিসেম্বর ২০ য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা দিভিজনেল ওফিস ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

লেভেল – ২না ফিলাটেলি প্রোজেক্টনি। স্কোলারসিপকী শেনফমনা থাগী লূপা ৫০০–৫০০দা পারগা চহী অমগী লূপা লিশিং ৬ ওইগনি। অকুপ্পা মরোল সুপরিন্টদেন্দন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস ইম্ফালদগী অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ০৩৮৫–২৪৫০৬৫২দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

এন্টি দ্রগ কেম্পেইন চখখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) কোলিয়েসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গা খুৎশম্নদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাঙ্গৈদা লৈবা কানন দেবী মেমোরিয়েল স্কুলদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন চখখ্রে।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী রোসন গোলমৈনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কেম্পোই অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন, এম সুগী লাইব্রেরি এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেক্রেটরী ব্রোজেন লোংজম অমসুং কানন দেবী মেমোরিয়েল স্কুলগী ওজা কুমারী সুরবালা খরাইবম পুন্না ময়াই ফমখি। অদুগা কাদাগী তখেল্লম্বম গীতচন্দ্র মমাঙনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

স্কুলগী ওজা অমসুং মহৈরোই কয়া শরুক য়াখিবা কেম্পেইন অদুদা স্কুল অসিগী এন্টি দ্রগ সেল অমসু মেম্বর ১০না শাদুনা শেমখ্রে। শেল অসিগী টিচর ইন চার্জ ওইনা সুরবালা খরাইবম খনখ্রে হায়রি।

নাগালেন্দ ইলেক্সন মতম চানা পাঙথোক্কনি

দিমাপুর, নভেম্বর ২৯ ঃ মথং চহীগী মার্চতা লোইরগদবা হৌজিক লৈরিবা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লী অসিগী মাঙওইননা মতম চানা ষ্টেট অসিগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার এ কে জোতিননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা লুচিংবা কম্মিস্নার ওমপ্রকাস রৱাত অমদি সুনিল অরোরা, দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিস্নাস সুধিপ জৈন অমসুং দাইরেক্টর জেনরেল দিলিপ শর্ম্মা য়াওবা টিম অমনা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সন অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরী অমসুং দি জি পি য়াওদুনা উন্নদুনা য়েংশিনখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

[illegible]

WABAGAI BLOCK CON

[illegible]

লৌশিপাৎতা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং ১৪ লৌখৎখ্রে

ককচিং, নভেম্বর ২৯ ঃ রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার ককচিং নাওরেম মুনাল মৈতৈনা লুচিংবা কাংবু অমনা লৌশিপাৎ এরিয়াদা শক খঙদবশিংনা লমগী উচেক ফানবা থক্লম্বা লাং ১৪ লৌখৎখ্রে।

আর এফ ও ককচিং মুনাল মৈতৈনা ফোঙদোরকখিবদি লম লান্না পায়রকপা য়াওনা লমলক্কী শা–উচেকশিং কন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন থৌবাল ৱাইখোম রামচন্দ্র, দিপ্যুতি রেঞ্জ ওফিসার পল্লেল সলাউদ্দিন, ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট ভোলন্টিয়ার এস নিংথেম অমদি অতৈ ষ্টাফশিং পুল্লগা ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট তাইনফম ওইরিবা লৌশিপাৎ এরিয়াদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা দ্রাইব চখখিবনি। মদুদা পাৎ অসিদা উচেক ফানবা লাং কয়া থাত্তুনা লৈরম্বদগী লাং ১৪ লৌখৎখি। অদুবু লাং অদু থাক্লিবা মীওইশিংদি ফাবা ঙমহৌদ্রে। ঈশিংনা মরম ওইদুনা চঙশিনবা ঙমদবা মফমশিংদসু লাং কয়া থাক্লমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অসিগুম্বা থবক অসি তৌবিগনু হায়না মমাঙদসু কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবনি হায়রদুনা লমশাং লান্না পায়রক্লিবা উচেকশিং কনমিন্নসি। মখোয়বু ঙাক শেনবদা পূম্নমক্কা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি চখখিবা দ্রাইব অদুদা লাং থাক্লম্বা মীওইশিং অদু ফাবা ঙমহৌদ্রগসু মতুং তারকপদদি লাং থাক্লিবা মফম নৎত্রগা লৌবুক অদুগী মপুশিংদা তাইনরগনি। মরমদি লৌ মপু অদুনা মহাক্কী লৌদা লাং থাক্লিম্বা অদু কনাননো হায়না থিগৎপগা লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা চেকশিন থৌরাং লৌনবগীদমক্লি। উচেকশিং কন্নবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি খন্না হোৎনমিনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা অপিল তৌখি।

মণিপুরগী হজ যাত্রিকশিংগী জহাজ তোংফম কোলকতাদা ওইরগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ মণিপুরগী হজগী জহাজ তোংবগী মফম হজ ২০১৮তগী হৌনা কোলকতাদা ওইরগনি। মসিগী মতাংদা ইলেকটেদ মুস্লিম লুচিংবশিং, মুস্লিম সোসিয়েল ওগর্নাইজেসনগী লুচিংবশিং, মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি মণিপুর মুস্লিমগী স্কোলরশিংগী অপুনবা মীফম হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী হজ যাত্রিশিংগী জহাজ তোংফম খনবগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন–নৈনখি।

খন্নখিবা অদুগী মহয় ওইনা এরোপ্লেন ভারা, অতৈ খুদোংচাবা অমসুং হেন্না শাফগদবা ফিভম কয়া য়েংলগা হজ ২০১৮তগী যাত্রিকশিংনা জহাজ তোংনবগী মফমসু কোলকতাদা ওইবা হায়না য়ান্নখিবনি।

মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিটিগী একজিক্যুটিব ওফিসার সলাউদ্দিন খাননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হজ ২০১৮তা যাত্রিক ওইনিংবশিংনা জহাজ তোংফম ওইনবা কোলকতাদা ওইনা খন্নবা অপীবা এপ্লিকেসন ফোর্ম মমল য়াওদনা ষ্টেট হজ কম্মিটিগী ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি। নৎত্রগা মসিগী ৱেবসাইটতগী দাউনলোদ তৌবসু য়াগনি।

মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু মথং থা দিসেম্বর ৭ ফাওবগী মনুংদা পীশিলক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রুদা একাদেমি থৌবালগী স্পোর্ট মিট হৌখ্রে

থৌবাল, নভেম্বর ২৯ ঃ রুদা একাদেমি থৌবালগী ১৭শুবা ইন্টর হাউস এন্নুৱেল স্পোর্টস মিট ২০১৭ ঙরাং এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী এন সি সি কেদেট অমসুং তোঙান–তোঙানবা হাউসকী মহৈরোইশিংগী মার্স পাস কন্টিনজেন্টশিংনা পীবা সালামীসু মিনিষ্টরনা ওকখি।

থৌবাল কলেজগী প্রিন্সিপাল ও চাওবা দেবী অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওফিসার থৌবাল আই পুর্ণিমাসি দেবীনা মথং শীৎনা থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়, থকশি খাসি, থৌগৎলোল অমসুং লমচৎ বেবহার হায়বসি মহৈরোইশিংদা য়াম্না মরু ওইরি। ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক হিরম খুদিংক্তা চৎনবী অমনা কোনশিন্দুনা লৈরিবনি। চৎনবী বেবহার অসি শান্ন–খোৎনবদগী তমজনিংঙাই য়াম্না লৈরি। অদুনা শান্ন–খোৎনবগী মিট শীল লাংলিবসি চৎনবী কাংলোন অমনা কোনশিল্লিবনি। হায়রিবা চৎনবী কাংলোন অদু ঙাক্না চৎপা তঙাইফদে।

ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনবা, খাঙবা কনবা, কখোকপা ঙম্বা অমদি পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

স্কুলশিংদা ফিজিকেল এদুকেসনগী সবজেক্ট অসি য়াওদবা মরমনা ফিজিকেল এদুকেসনগী ওজানা অতোপ্পা সবজেক্টশিংদা তাকপী তম্বীদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওফিসার থৌবাল আই পুর্ণিমাসি দেবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম তরাম্না ওক্লদুনা হিরম অসিগী মতাংদা অথুবদা য়েংশিল্লগনি হায়নসু এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা থাজবা পীখি হায়রি।

দেসামাগী ১৬ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ১৬শুবা কুমওন থৌরম লাক্লিবা জনুৱারি ৩দা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মমাঙ চহীশিংদা পীবগুম তাকপি তম্বীবগী লমদা লৈরিবা ওজাশিংবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা চীঙু মাইচৌ খোঙনাংথাবা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নগনি।

দেসামগী সেক্রেটরী এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়াস পাইখোম্বা ৱাহেংবমনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খোঙা অসিগীদমক ইরমদম অসিদা লৈবা সরকার অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবশিংনা মথং থা দিসেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা দেসাম হেদ ওফিসতা বাইও দেটা পীশিনবা য়াগনি। মদুদা স্কুল অদুনা লৈরিবা মফম অদুগী লোকেল ক্লব, মৈরা পায়বী লূপনচিংবগী রিকমেন্দেসন পীরবা মতুং হেদ ওফ ইনস্টিট্যুসননা এপ্রুব তৌবগা লোয়ননা জেদ ই ওগী রিকমেন্দেসন য়াওগদবনি হায়রি।

মখা তানা অকুপ্পা মরোল দেসাম ময়াই লোইশঙ অমদি তোঙান–তোঙানবা মশা লোইশঙশিং লোয়ননা ফোন নম্বর ৯৪৩৬৪৪৫০৮৮ অমসুং ৯৬১২৩১৮৪৪৫দগী খঙবা য়াগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টর্নেসনেল শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ হৌজিক চখরিবা হয়েং লোইশিনগদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৭গী মনুং চন্না মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনেল শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল ঙসি লোইশিনখ্রে।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দদা থা অসিগী ২২দগী হৌনা চখরকখিবা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান–তোঙানবা শুমাঙ লীলা লূপ ৮না শরুক য়াখি। নুমিৎ খুদিংগী লীলা অমমম উৎপগা লোয়ননা থিয়েটর, দাইরেক্টরশিং অমদি আর্টিকী লমদা খঙ–হৈরবা মীওইশিং য়াওনা খন্ন–নৈনবসু পাঙথোকখি।

থিয়েটর দাইরেক্টর কে এস ঐচ জুগিন্দ্রোনা খন্ন–নৈনবা অদুগী মোদরেটর ওইখি।

ঙসি ফেষ্টিভেল অসিগী অরোইবা নুমিৎতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন (ইমা)গী হুরানবী নুংশিবী হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা মীয়ামদা খুদোল তমখি হায়রি।

এ আই এস এফ ময়াং ইম্ফাল জোনেলগী থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ ঃ ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ময়াং ইম্ফাল জোনেলগী মীফম ঙসি বি টি রোদ ইম্ফালদা লৈবা এ আই এস এফ হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ভিবেকর মৈতৈনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ইন চার্জ এম জয়কুমার য়াওবা মীফম অদুদা জোনেল কাউন্সিল অসিগী ২০১৭–১৯গী থৌ পুগদবা মীওই ৯ লোয়ননা জোনেল অসিগী ইনচার্জ ওইনা কে ঐচ রামেশ্বর সিংহবু খনখ্রে।

থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবশিং অদুদি কে ঐচ তৌসিফ রহমন প্রসিদেন্ট, সোফিয়া য়ুমখাইবম ভাইস প্রসিদেন্ট, সলাতুর রহমন সেক্রেটরী, তরিফ অমদি সালিমা সাহনি অনীমক জোইন্ট সেক্রেটরী, সলমর সাহ ফাইনান্স সেক্রেটরী, সালিম সাহ ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, কম্মলুদ্দিন পব্লিসিটি সেক্রেটরী অমসুং সালিমা সুলতান এডিটর জেনরেলনি হায়না ষ্টেট সেক্রেটরীনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

[illegible]
Dr. HELENA EYE CARE
ALWAYS BEST
ADDRESS : NORTH AOC, BIG CHILL BUILDING
IMPHAL, MANIPUR
CALL : 0385-2421792 / 9774065535.
Email : dochelena11@yahoo.com
SL/B/August'17




করি শগোলনোনে, তোংবসে কৈনোম ইতৌ তৌইদা


মরাং মরাংদু হেক উরুরে
হি.. কৈনোনে শগোল নত্তেনে সিদি মরাং মরাংইনে। হৈ.. কৈনিনে ঐনা থৌরিসিদি

ঙসিগী রাষি ফল (৩০–১১–২০১৭)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ শাওনবদগী অমাংবা থেংনবা, ৱাখল লাংবা মতমনি। শেল চৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাংনগনি। নক্ষত্র ১, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

বৃষঃ ৱাখল লাংবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা মতমনি। শেল ফবা চৎপা মতমনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। খরদি লাংগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

মিথুনঃ অশাওবা, খৎননিংবা, কোক শাবা মতমনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। মতেং পাংলুগনু। ৱাখল লাংগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

কর্কটঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, পোঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা খুদোংচাবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতমনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ অফবনি।

সিংহঃ অশোক অপন খৎনবা মতমনি। চেকশিল্লবদি চাওখৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবীবা মতমনি। খরদি লাংগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

কন্যাঃ খৎননিংবা, মুক্নবা লৈরগনি। শেল ফংবা চৎপা মতমনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা খরা ইংলগনি। হোৎনবদি য়ারগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

তুলাঃ খৎননিংবা, অশাওবা, লোয়নরগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। ইমুংদা ৱাখল লাংগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫, ১৬ চাংদা লৈ।

বৃশ্চিকঃ হোৎনজমন কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা, অচৌবনা চানবীবা মতমনি। চখোক চৎশিন অফবা ওই। নক্ষত্র ১৬, ১৭, ১৮ ফগনি।

ধনুঃ শোক্কনবা, কোক শাবা, শাওনবা মতমনি। শেল পীথোকপা পীশিনবা হৈশিংউ। হোৎনবদি য়াগনি। পোৎ লৈবসু য়ারগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

মকরঃ খৎনবা, ৱারৌবা মতমনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। ঐগী মী মশীং হন্থবা মতমনি। লুচিংবা ওইরবসু শেল চৎলগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২, ২৩ চাংদা লৈ।

কুম্ভঃ চাওখৎপা ফগৎপা, পাঙথেক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা খুদোংচাবা, ঐগী মী য়াম্বা ওই। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪, ২৫ অফবনি।

মীনঃ হোৎনজমন কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতমনি। ইমুংদা খরা ইংলগনি। নক্ষত্র ২৫, ২৬, ২৭ অফবনি।